# হয়েংনিকো অথৌবশিংগী নুমিৎ-ওস্থোকপনিদা কাউজল থীখ্রেদকো ঐখোয়সে!

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

হয়েংনিকো ওগষ্ট ১৩, মণিপুর পুৱারী লমায়দা কোক্লরোইদবা মচুনা শঙজিন্দুনা লৈখ্রবা থৌদোক্তো! ইরৈচাশিংবু খোয়দৌ থীৎহনবা, থম্মোয়বু শিংকুপ শানা থুগায়বা, নীংঙমদ্রবা থৌদোক। মতমদুদা লোইলম পাকথোক চাউথোকপগীসু পেন্নাইদ্রবা বৃটিশ ওফিসরশিংগী মবুক মনুংদা করি খল্লমগনি। অসুম্না অপেন্নরমগদবা মাল্লি-“তস কমদৌই! মালেম পূম্বা খুদুম চনগে থৌরাংলিবা ঐখোয়দা চীংলৈবাক মচা নখোয়নসু শীংনজবশাই! হৌজিক্তি করি থোক্লে!” মসিগা লোয়ননা খাক্লা-খাক্লা নোকপগী খোঞ্জেলনা মবুক মনুংশিংদু খ্রাক-খ্রাক খোংলমগদবা মাল্লি, নোংমৈ শীংজঙ তারমদাই নোং খাকপগুম। খল্লিবা ৱাখলসিনা অচুম্বা ওইরম্লবা ঐদি হায়গনি- মখোয় য়াম্না ফত্তে, মখোয় মী ওইরবসু মীগী থম্মোয় পান্দে। মশাগী ওইজবখক্তমক থিবা বৃটিশনি। হায়ঙম তৌঙমজদবা মতমদুগী ইপা-ইপু, ইমা-ইবেনশিংবু তূমীৎ-কাংগুম্না উবগী থৌওংনি, মচৎনি। হ্যুমেনিজমগী মায়োক্তা লৈবা মখোয়নি।

নুমিত্তুদা পুংফমদুদা, ইপু থাঙ্গাল জেনরেল, যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎকী ঙকশমদা থৌরী কোঙ্গোই হুক্লমদাই, ফাঁসি শগাই কারমদাইদুদা অথৌবা মখোয় অনীগী পূক্নীংদা ফাওরমগদবদু খল্লুবদা মিহুনসে দং-দং চোংলকই। মীতোপ মীরানচানা লাঙ্গোই চন্দুনা মীখা পোনবী ওইহল্লগে তেমশিংনরকপদা ইমাগী নীংতম্বা মাঙখিবা য়ারোই হায়না মায়রোং য়ারুবগীদমক অদুক তমথীবা চৈরাক! মসিবু তাইবঙগী লোনচৎলা? ইমাগী তম্পাকথক্তা, মদুসু ইরৈচাশিংগী মীৎমাঙমক্তদা। অথৌবা অনীগী অরোইবা মতম্না নকশিল্লকপদা চীনবান য়ৌবা ঙমদ্রবসু থনুংদদি মখৌ পোঙনা লাউরমগনি অসুম্না - ***পলেম ইমাগীদমক ঐখোয় চৎলগে। অদুবু ঐখোয়না অরোইবা নত্তে। মশীং লাকঙমদ্রবা থৌনা ফরবা মপারী মমোম কয়া লোইনাই খম্নাইদনা লাকখিনি। মীনাই য়োক্লিং থদত্তুনা ইমাগী মায়থোঙ মোমোন মীনোক্লা লৈতেংসনুকো।***

মতমদুদা পোক্লফম ইমানা শল্লাং ইফা ফানা খোঞ্জেল থোক্তনা তেংথাবদো, ইমাগী মীকপখোন্দো তাইবঙ মপুগী নাকোং শোয়দনা য়ৌরমগনিকো! মখূৎ তুংবুন্নবীখ্রবা ইমাগী মপারী অথৌবশিংনা তপ্না-তপ্না য়েংহৈদ্রবা ফম্পাকথক্তুদা কাখৎলকপা মীকুপ্তা মফমদুদা তিল্লিবা ইরৈচাশিংনা তৌফমদি খঙদনা মখূৎ মশা প্রোক-প্রোক থেক্লা খাঙলমগদবদো মীত্তা শং-শং উরকই। মখোয়না লানঙম ফিরান থেৎলে, ইমাবু খুদুম চনশিনবা ঙম্বগী রেকোর্দ থমহৌদবা য়াদে মতানি, বৃটিশ মখোয়গী তৌবা ঙম্বা মতীক্তু মালেমগী পুৱারী লাতমদা মূৎনাইদনা লৈহৌরসনু হায়বা মওংনি, অসুম্না থল্লম্মী-

***Certified that Tikendrajit Bir Singh, late Senapati of, was this thirteen day of August 1891 hanged at Manipur in my presence.***

***H. Maxwell***

***Chief Political Officer, Manipur Field Force 1891.Assam Secretariat Foreign A. Progs, September No 385***

অথৌবা থাঙ্গাল জেনরেলগী মতাংদসু চপ মান্নবা অমা থোকখিবগী রেকোর্দ লৈরম্মী। মদুশিংদু পারুবা মতমদা বৃটিশ মচা খুদিংমক অপেনবা পোক্লমগদ্রা? মখোয়গী মরক্তসু লোইলম নম্ফু লৈঙাক পামদবা ময়াম অমা য়াওরমগনি। চুমদবা ৱায়েলনি, অরানবা থৌওংনি, হাকমনবা চৈরাক্লি খনবসু শোয়দনা য়াওরমগনি। মীগীদি নুংদা পেন্দবা কয়া লৈদুনসু লিংজেল চপ মান্নরমগনি। মসিনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রগা মণিপুরগী ওইনদি মাঙজবৈ মাঙজবা ঙাক্তনি। ঙসি ফাওবা মাঙজবতনা শরুক ওইরবী মণিপুর ওইদুনা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হেক্তমক শোন্নীংলকই, ইরৈচাশিংগী মপাঙ্গল খংশোন শোম্থহনখিবা মতাংনি হায়না। শোম্থখিবগী চাংদি অদুক য়াম্না মথোঙ হুকখিদ্রবা ৱায়েলদুবু, তমথীরবা থবক্তুবু শীংনবা ঙম্বা অমদি মদুবু লেপহনবগী থৌনা লৈবা ইরৈচা য়াওখিদবজাৎলা! খ্বাইদগী পেঞ্জদবসি মতমদুদা ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংদুবু মখোয়না করি ওইনা উখিবনো হায়না খনবসিদনি। অসুক য়াম্না থম্মোয় শোকপা নুমিৎ ওগষ্ট ১৩, ১৮৯১! পূম্নমক্তু মঙ নৎত্রগা ৱাশেম ৱারী ওইরম্লদি কয়াদা নুংঙাইগবা!

মণিপুরবু হঙ্গৎনা য়েংলুবদা থোকহন্নীংদবা ময়াম অমা থোকখ্রে। চহী চরেৎ খুন্তাকপদুবু হরাও নুংঙাইবা তাঙ্কক্লা? মদু থোকখিবগী মরমসু ময়াম্না খঙনরবনি। মৈদিংঙু চৌরজিৎ, মারজিৎ, গম্ভীর সিংহনা হিংলিঙৈদা অৱাদি হায়রুনু মালেমগী খূৎকন পাঙ্গল্লবা কনানসু লাকচবা ঙল্লম্লোই। লিংজেল মান্নখিদে, পূম্নমক্তগী ফম্বালনা মরুনি খনখিবদুবু হায়জিনবনি হায়বা য়ারিব্রা? অৱাগী মখূত্তগী মণিপুরদি মুলহৌরে। অদুবু মতেং পাংবীরকখিবা বৃটিশকী শরৌ লাংদা থুখিবদো! মদুদগী নাম্থোকপা ঙমখিদে। নোংম-নোংমগী অসুম-অসুম ক্রক-ক্রক লাকশিল্লক, মমৈদদি যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎ ফারগা লোই থাদোকখিনবা বৃটিশ ইন্দিয়া লৈঙাক্কী য়াথংচে পুরকখিবদু। মণিপুর লৈঙাকপু অদুক্কী মতিক উশিৎপীখিদে। কয়ামুক য়াম্না উশিৎখিদবগে হায়ববু মনীং তম্বা লৈবাক অমগী মনীংতম্বা নিংথৌ অমদি অঙম অথৌশিংনা পানবা মণিপুরনি খনখিদবনি। মৈদিংঙু কুলচন্দ্র, মদুসু যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎকী ময়াম্বুং মশামক্তা য়াথংচে অদুগী মতুংইন্না থবক পাঙথোকউ হায়না কিৎ নম্বীখিবনি। দরবার মীফম ফমসি হায়রগা টিকেন্দ্রজিৎপু ফানবা লাং থাকখিবা, মখোয়গী মিশন মায় পাক্লবা হোৎনবদা অহিংদা লান তাশিন্দুনা মরাল লৈজদবা মীচম কয়াগী পূন্সি, যূম-কৈ, লন-থুম মাঙহন-তাকহনখিবনি। মখোয়গী অরানবদু কূপশিল্লগা লান লউথোকখিবা, মণিপুর খুদুম চনশিনখিবনচিংবা তু চুংলবা থবক কয়া লৌখৎখিবনি।

ঐখোয় মীওইবসে কাউজল খরা থীগল্লি। মসিননি নীংঙমদবা থৌদোক কয়া মণিপুর পুৱারীগী লাতমদা চনশিন্দুনা লৈরিবসি। লিংজেল মান্নদবা ঈ মশেল অমনা অমবু চিংথনবা হোৎনবনা হায়রিবা থৌদোকশিংগী হৌরকফম মরূ ওইরিবনি হায়বসি খঙদবা নত্তে, অয়াম্বনা খঙনৈ। মসিমক্তদা হেক-হেক কাউনরিসিবু করিগীনো? মসিবু মীশৌ চঙবনরা নৎত্রগা লাইমু ফত্তবশিংগী থৌশিলনরা? ঙসিসুনি হৌখ্রবশিংদু নীংশিংদবা, কাউথোকপা মীনা পৈদুনা লৈরমাল্লে ইমা লৈবাকসে। লিংজেল মান্নৌ, পূনশিল্লু হায়বনা পূমনিল নীল্লি। অদুবু কৈদা অমনি, অমনা ঙাঙবা অমনা তাদে। মানা মানা থোকপা চাউবা পঙতান্দা তান্নদুনা লৈ। অসুম খঞ্জিল্লুরদি ঐখোয়গী মায়সে থম্ফমদি লৈত্রবনি অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মমাঙদা। ঐখোয়না ঐখোয়গীদমক্লি হায়দুনা ঈ ভি এমদুদা থোরক্লিবা সিম্বোলশিংদগী পামজবা অমা খল্লগা মসিগী মীরেপ অসিনা মতিক চাবা লৈঙাকপা ওইরনি খন্না খূদোম্বীনা কিৎ-কিৎ নমদুনা থাগৎখিবা মীহুৎ হুম্ফুনি। মসিমক্তদা হঞ্জিন-হঞ্জিন প্রসিদেন্টস রুল থম্লে লাউথোকপসি অঙকপা নৎত্রা? ঐখোয়না থাগৎখিবা মীহুৎশিংদু মতিক চাদে, লৈবাক ঙাকপা হৈতে উৎপনি। ভোট থাদখিবা ঐখোয়বু মীহুৎ খনবা হৈতে, ৱাখল লৌশিং য়াওদে হায়বা ইঙ্গিৎনি। পূম্নমকসি ঐখোয়না হৌখিববু নীংশিংবা ঙমদবা, কাউজল থীবা ওইবননি। ●

# থবক ফংদবা মীসু লৈ!

**- নবকুমার ওইনা -**



মণিপুরগী ৱাথোকসি ইন্দিয়ানা ৱায়েনবা ঙল্লোই, ঙমদ্রিবা অসিনি। মণিপুরীশিংনা ঙাঙবসু শোয়রি, ইন্দিয়াদা থৌদাবদৌনা ঙাঙনরি। মশাগী থবকপু মীঙোন্দা থৌদাবদৌনা ঙাঙবা, মথৌ খঙদবশিংগী থবক লৈবা হৌনদে। খুল্লক লৈরক্তসু থবক ফংদে হায়বসি চৎনবী ওইনা ঙাঙনবা অদুম লৈরিবনি। কনানসু ৱায়েনবা ঙমগদৌবা লৈত্রি। লোলফাও চুম্না ঙাঙনবা ঙমদ্রিবা হায়বসি মতমসিগী মীনি হায়বা য়াদ্রি হায়রিবনি।

কাঙলূপ খুদিংমক্লা মণিপুরসি মরন্নাইগীদৌনা ঙাঙনবা য়াওনরি। অমনা তৌবনা য়াবা, অমনা তৌরগনা য়াদে হায়বসি করিদা চুমগদৌরিবনো? কাঙলূপ খুদিংমক মাগী-মাগী কাঙলূপ শেমগৎনরিবসি মচোয়-মচোয় খরা খোমজিন্নরগনি। পুল্লপ খোমজিনবা হৈনদ্রিবগীনি। পুৱারীশিং শেমগৎপা লোইবা ঙম্নদ্রিবনি। লাল্লি-চুম্মী য়েৎনরিবনি, অচুম্বা খঙনববু মানশিল্লক্তে।

থবক শুনীংদ্রবদি থবক লৈবা হৌনদে, মপা-মমা ফাওবা থাক্তনি খঙদবা য়াওনরিবশিংগী থবক লৈবা হৌনদে। থৌদাং লৌদ্রবদবু করি থবক লৈগদৌরিবনো? থবক লৈতে হায়বসি, “নপা-নপুনা তাকপরা, নপা-নপু নোরোক তাগদৌবা ৱাদু কনানা ঙাঙউ হায়” হায়বা মী লৈরিবনি। থবক থিরি, থবক ফংদ্রি হায়বসি রেদিওদা, পাউচে অয়াম্বদা, লৈরক-খুল্লক্তা-লম্বীদা ৱা-ৱা ঙাঙনরিবনি। খ্বাইদগী পঙবা মীশিংসি লমদম অসিদা লৈফম থোকই। হেন্দোকখিদুনা অওক-অপা শাবা মীসু লৈফম থোকপগী লৈরিবনি। শেল খোমজিল্লগা মাঙখিবা মী ময়াম লৈরে। মীয়ামসিনা করিসু তৌবা ঙমদে, লৈঙাকসু করি’মত্তা তৌবা লৈতে। হনুবা-হনুবীনা পান ফুৎলগা থারুবদুগা চপ মান্নরিবনি, য়োংয়াম্না চাথোকখি। লম্বান্দু চারুবদগী লেংবা খাঙবা তাখি। থবক পীগনি হায়রগা শেল খোম্বগী থবক ফংবা- ফংবী মী ওইনা লৈরক্লিবনি। থবক ফংদবশিংনা থবক পীবদি ঙম্মী। থবক মুন্নরিবশিংসু থবক ওইরক্লি, মখোয় ময়াম্না খুন্নাই অমবু খোংবান্দা চিংথরিবনি। অদুগা থবক ফংলে হায়না হরাওজরিবনি। মখোয়গী থবক্তি খুন্নাইসি মুখৎপনি। মখোয়না পাম্বা মায়কৈদা পুরগা, থবক মুন্নবনা থবক ওইনরক্লে। অরানবা থৌওং অমদা থবক লৈতবশিংদা থবক খরদি পীরি। ৱাকচীংদা পাইবা নোং ঙাইজরগা খৌরাংবা কোক্লরি, থবক পীবা হায়বসি বৃটিশনা হৌদোক্লম্বনি।

লাই নীংলগা লাই ফংদবসু লৈ, থবক তান্নরগা থবক ফংদবসু লৈ। এম এ তল্লগা, ডাক্তর তল্লগা থবক ফংদবসু লৈ হায়নরি, বি ঈ তল্লগা থবক শুদবসু লৈ। মখোয়দগী শেল চারুবগী এম এল এ ওইনা ভোট কারবসু থবক ফংদবা লৈরে হায়নরে, লাইচুরিবনি হায়রি। ভোট লেপ্পা চাম্মা-চাম্মা পৈরিবনি, চাম্মনা ভোট কাগদৌবা মাল্লগা কাদবসু লৈ। লাইশঙদা মী লিশীং-লিশীং লাই খুরুম্বা চৎনরি, লাইগী থৌজালদু ফংলবনা কয়া কয়ানো খঙবা নৎত্রি। থবক্কী মহয় চাবদু লাইনা পীবা ওইনা থাজনরি। মমৈদদি লাইদা নিরগা থবক ওইনা শুনরক্ত্রে। লাইবক্তা তল্লকপা ঙায়বা, লাইগী থৌজালদা হিংবা হায়বসি থবক শুনীংদনবগী লাইৱানি। মরকসিদা ভোট কারবসু থবক ফংদ্রবশিংনা লৈঙাক্কী মপু শারগা ঙাঙবসিনা করি থবক কৌগদৌরিবনো?

অঙকপা লমদম্নি, থবক শুবদা ইকায়নরি, থবক্তা চিলহাওসু থিনরি। থবক শুনীংদবনি হায়গনি, লেমজা চাবা পাম্বসু মাল্লকই। শেল চাফম থিবসু ওইবা য়ারিবনি, হুরানবসু ইকায়নদে, দ্রগ লল্লোনবসু ইকায়নদে। ইকায়বা তনবা হায়বসিনা করম্বা থবক মখল ওইদৌরি। লম্বী ময়ায়দা তোয়না কায়রিবসি লম্বী ময়ায়দা শগুন তৌখিবগীনি। থিকা তৌনবা থবক ফংনবনি হায়নসু লৈরি, স্কুল-কোলেজদগী তম্বীবা শোয়রক্লবনি। লান্না তম্বীবদুবু থবক্লা, থবক ফংলোইদবগী তম্বীরিবা অদুবু থবক্লা? ফুদিত্তা মাঙজোং চোংববু থবক্লা? হুরানববু থবক্লা?

থবক লৈতে হায়না খনবা নৎত্রগা খঙবা, থবক ফংদ্রে হায়না থাজরবা মীদু লায়না অমা নারবনি। লায়নাদু কোক্ত্রিবমখৈ থবক ফংবা হৌনদে। শেনবা-থুম্বাগী ওইসনু, লৌউ-শিংউবগী ওইসনু, লৈঙাক্কী ওইসনু, লম্বী থোংগী ওইসনু শুনীংদ্রবদি থবক ফংবা লৈরোই। থবক শুদনা তোলোপ ফংবদি য়ানরবনি। মচী মচীদা ময়াম লৈরবনি। স্কুল অমদা প্রিন্সিপাল অনী লৈশিনবা য়াওরল্লিবনি। স্কুলদু নুপী ওইরম্লদি ৱা থোক্লরোইদ্রাও? থবকপু লৈনরক্ত্রবদি য়াদববু লৈত্রে হায়নরিবনি। লোনগেরা-ফোংগেরা শেল তানবা খুদিং থবক্লি হায়বদা য়ানদবসু লৈরিবনি। মীনা তৌবা থবক্তা মমিৎ শংদোক্লগা য়েংদুনতা লৈবদুসু থবক্লি খনবা য়াওনরিবনি। অহিং তূম্নদবী মচাশিংগী প্রাইভেট ট্যুশনগী কোয়চেন চেন্নরিবসি থবক ফংনবনি হায়রি, লাইরিক হৈনবদি নত্তে হায়বা তাবনি। মমা-মপাদুদি থবক ফংলবগুম্বনি, মচাগীদি খঙদ্রিবা ওইগনি। লো হায়বসি লৈত্রবদি ফগদৌবনি, মখোয়গী নীংবা থুংনবা। পরিক্ষা তৌখ্রগা লো পাম্বশিংনা পংয়েত্তা য়েৎনবসি থবক্তা অপনবা পীবা থবক্লি, থবক লৈতবশিংগী থবক ওইরিবনি। লো ওইনা লৈবসু মাল্লি, লৈতবসু মাল্লি, কান্নফম খঙদবদৌনা তৌরি। মসিতা তোক্লগা লৌ উগেরা, নুঙ থুগাইগেরা, চেক শুগেরা তৌনখ্রবদি মীয়ামসি খরা ঈংগদৌবা মাল্লকই। ফবা অমদি লো তম্লুরগা থবক পীয়ু হায়নবদি তাদ্রি। লো তম্লবদি থবক ফংদবা লৈতে হায়বা মাল্লি। অদু ওইরবদি মী লোইনা লো তমহনগদৌবনি। মী লোইনা মুশিন মুনরদনা ফনদুম ফজগদৌরিবনি। “ঐখোয় অনীদি খৎনদে উকিল অনী খৎনজবনি” হায়বদু নীংশিংলকই। যুদা লোনা করিসু তৌবা ঙম্বা নত্তে। থবক ফংদবগী য়ু য়োল্লিবনি হায়বা লৈরিবনি। থবক শুবগীসু য়ু, থবক লোইবগীসু য়ু, পোকপগীসু য়ু, শিবগীসু য়ু, য়ুনা পীরিবা থবক ময়ামসি কনানা ঙমগদগে? য়োনবা য়াদে, থকপা য়াদে হায়বা মফম খরা লৈজবগী ৱাতনি। শুংফমদদি লোগী থবক লৈতে। শুংবগী ৱানা থবক শুরিবা মী অদুদগীদি য়োল্লিবা মীনা শেন্দোং হেন্না ফংই। য়োল্লিবা মীদগীদি ফারিবা থিংলিবা মীনা শেল হেন্না ফংই (ইৱা-ৱাদনা) থবক ফংদবগী য়ু থক্লিবনি হায়বসু লৈরিবনি। য়ু ফংলদি থবক ফংই। থকপু থক্লবসু, থকপু থক্ত্রবসু; থক্ত থকচিল্লগনা ডাক্তরগী থবক পীবা হায়রিসিনি। থবক ফংদে হায়রিবা মীদুবু য়ু ফাওবা খঙদ্রা হায়বা।

অরোইবদা, থবক ফংদে, থবক লৈতে হায়বসি করিনো অমদি খঙদ্রে হায়বনি। য়ুগী য়ু ঙাক্তা পুমচায় চায়রগা লৈরবা লমদমসিদবু য়ু য়াউম অমতং ফাওবা থক্ত্রবা মীদু মী ওইররোই হায়গদৌরিবনি। য়ুদা এদ্দিক্ট ওইবদু থবক্তা এদ্দিক্ট থোক ওইরগা লোইরবা ৱানিদা। এদ্দিক্ট ওইবদু খুদম ওইনা য়ুদগী তম্বা য়াই হায়বগী ৱাতনি। এদ্দিক্ট কয়া-কয়া লৈরি; ভোটতা এদ্দিক্ট ওইবা, শেল খায়বদা এদ্দিক্ট ওইবা, য়ু ফাবদা এদ্দিক্ট ওইবা, গাড়ী থৎপদা এদ্দিক্ট ওইবা, জ্বারদা এদ্দিক্ট ওইবা, ক্বা জর্দাদা এদ্দিক্ট ওইবা, দ্রগতা এদ্দিক্ট ওইবা, লল্লোনবদা এদ্দিক্ট ওইবা, গাড়ী হুরানবদা এদ্দিক্ট ওইবা, লম কোয়বদা এদ্দিক্ট ওইবা, শৈরেংদা এদ্দিক্ট ওইবা, ফোন্দা এদ্দিক্ট ওইবা, লাইদা এদ্দিক্ট ওইবা ময়ামসিগী মরক্তগী অমা ফাওবা হৈনদ্রবা ওইরবদি শিবা হৌরবা মীনি হায়ববু য়ারক্কদৌরি। মালেমসি লূম্নবা পোক্লিবনি হায়ববু য়ারে। এদ্দিক্ট ওইবা হায়রিসে থবক অমদি শুরি হায়রিবনিনে।

থবক ফংদ্রি হায়বসি মশানা হায়জবনি, থবক লৈতেসু হায়জরিবনি। লৈশু লৈতবা লাইদি লৈ হায়না থাজৈ। ময়াম লৈরিবা থবকশিং অসিবুদি লৈতবদৌনা থাজৈ, শুনীংদে, থবক ফংদে হায়রিবনি। লাই হায়রিসে থবক্তু শুনবা পাঙ্গলদুনি, থবক শুববু লাই নীংবনি হায়জিল্লি। মদুদগীনিদনা থবক শুফমদগীদি লাই নীংফমদনা মী য়াম্না তিনবা হেনগৎলকইবসি। নেৎথৎনরগা শিবসু য়াওরি। খুবু খুরুমগে খল্লবদি উজাও, নুঙজাও নীংবগী মথক্তা ঈশিংনা উন ওনবা ফাওবা খুরুমখৎলকইবনি। থবক্তুবু হায়রিবা। শুবু শুনীংখৎলক্লবদি লাইবুংগুম্না থবক শুফম শেমগৎপসু য়াই হায়রিবনি। মহয়দুনা অমনা চাখিবা। ●

# বাইওইনফোর্মেটিক্সকী দিগ্রী নৎত্রগা কোর্স অমা লোইরগা নহাক্লা তৌবা য়াবা থবকশিং

**- খুরাইজম তোমথিনঙানবা মীতৈ -**

বাইওইনফোর্মেটিক্স হায়বসি সাইন্স, মেথমেটিক্স অমসুং বাইওলোজিকেল সাইন্সেস হায়রিবা সবজেক্টশিং অসিগী অপূনবা হীরম অমনি। মসিনা বাইওলোজিগী দাটা খোমজিনবা, থমজিনবা, কূপ্না নৈনবা অমসুং খঙহনবগী থবক তৌই। বাইওইনফোর্মেটিক্সতা করিয়র অমা শেমগৎলবদি জোব সিক্যুরিটিগী চাং ৱাংই, তোলোপ চাউনা ফংই অমসুং হৈরিবা মহৈ অদুনা মরম ওইদুনা করিয়রগী মায়কৈদা য়াম্না কান্নহল্লি।

হীরম অসিদা থবক তৌনীংবা মীওইশিংনা মশাগী ইন্টরেষ্ট অমসুং স্কিলশিং অদুগী মতুংইন্না কোর্স মখল কয়াগী মরক্তগী অপাম্বা অমা খন্দুনা তম্বা য়াগনি। হীরম অসিগী ওইবা মীয়াম্না খঙনরবা প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা - বি এস সী ইন বাইওইনফোর্মেটিক্স, এম এস সী ইন বাইওইনফোর্মেটিক্স, পি জি দিপ্লোমা ইন বাইওইনফোর্মেটিক্স, ইনভাইরনমেন্ট বাইওইনফোর্মেটিক্স অমসুং ফোরেন্সিক বাইওইনফোর্মেটিক্সনচিংবা সেক্টরশিংদা থবক চঙবা য়াগনি। হীরম অসিদা মীয়াম্না পাম্নবা থবক খরদি বাইওইনফোর্মেটিক্স এনালিষ্ট, বাইও ষ্টেটিষ্টিক্সিয়ন, বাইওইনফোর্মেটিক্স সোফ্টৱ্যের দিভেলপর, এসোসিএট রিসর্চ সাইন্টিষ্ট অমসুং মেদিকেল কোদর অসিনচিংবনি। ইন্দিয়াদা বাইওইনফোর্মেটিক্স এনালিষ্ট অমনা চহীগী চাংচৎতা লুপা লাখ ৫.৫ ফাওবা তোলোপ ফংই।

**বাইওইনফোর্মেটিক্সতা করিয়র অমা শেমগৎনবগী মরমশিং : বাইওইনফোর্মেটিক্সকী কোর্স অমনা কম্প্যুটর সাইন্স, দাটা এনালাইসিস, বাইওলোজি অমসুং অতৈ হীরম কয়াগী মওং-মতৌ কয়া অদুবু মমুৎ তানা হৈনবা তম্বী। মসিনা মহৈরোয়শিংদা দি এন এ, প্রোটিন অমসুং জেনোমগুম্বা বাইওলোজিগী ইনফোর্মেশনশিংবু মতৌ করম্না ৱাহন্থোক পীগদগে হায়বসি মশক তাকই। বাইওইনফোর্মেটিক্সকী হীরম অসিদা করিয়র অমা শেমগৎপা হায়বসি করিগীদমক্তা মতীক চাবা পান্দম অমা ওইরিবনো হায়বগী মরম খরা মখাদা পীরি :**

**ইন্টরদিসিপ্লিনরি এপ্প্রোচ :** বাইওলোজিগী সিষ্টমশিংবু ময়েক শেংনা খঙবা ঙমহন্নবগীদমক্তা বাইওইনফোর্মেটিক্সনা বাইওলোজি, কম্প্যুটর সাইন্স অমসুং মেথমেটিক্স হায়রিবা সবজেক্ট অহুম অসি অমত্তা ওইনা পূন্না তাকপী-তম্বী। অসিগুম্বা মল্টিদিসিপ্লিনরি এক্সপর্টাইজ অসি, দাটাদা য়ূম্ফম ওইবা রিসর্চ হায়বা অসিনা নোংম-নোংমগী মরু ওইবা হেনগৎলক্লিবা মালেম অসিদা হায়নীংঙাই লৈতনা মমল য়াল্লক্লি।

**দাটা এনালাইসিস স্কিল :** দাটা এনালাইসিস অমসুং কম্প্যুটেশন্দা নীংথিনা হৈ-শিংবা হায়বসি বাইওইনফোর্মেটিক্স প্রোফেস্নেলশিংগী তোপ তোপ্পা শক্তম অমনি। অসিগুম্বা মতীক-মঙমশিং অসি হেল্থকেয়র, এগ্রিকলচর অমসুং ফার্মস্যুটিকেল হায়রিবশিং অসি য়াওনা মখল-মখা কয়াগী সেক্টরশিংদা মথৌ তাই।

**ইফেক্টিভ রিসর্চ :** রিসর্চকী প্রোশেস অসিবু বাইওইনফোর্মেটিক্সকী টুল অমসুং মেথদশিংনা খোঙজেল য়াঙশিলহল্লি। মখোয়না সাইন্টিষ্টশিংবু বাইওলোজিগী পাক-চাউরবা দাটা কয়ামরুম য়াম্না থুনা অমসুং চুম্না প্রোশেস অমদি ইন্টরপ্রিট তৌবা ঙমহন্দুনা মতম অমসুং শেল কা হেন্না চঙহন্দে।

**কষ্টমাইজদ মেদিসিন :** কনাগুম্বা অনাবা মীওইগী জেনেটিক কম্পোজিশন অদুদা য়ূম্ফম ওইদুনা পাঙথোকপা চূনবা লায়েং- পর্সনেলাইজদ মেদিসিন হায়বা অসিদা বাইওইনফোর্মেটিক্সনা মরু ওইবা শক্লোন অমা লৌই। মসিনা নেগেটিভ ইফেক্টশিং থোকপগী চাং হন্থহল্লি অমসুং অনাবা ফবগী চাং হেনগৎহল্লি।

**বাইওইনফোর্মেটিক্সকী টোপ করিয়র প্রোফাইলশিং :** কুমজা ২০২৩দা ইন্দিয়াগী বাইওইনফোর্মেটিক্স মার্কেটকী ভেল্যু অসি য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৩৩৭.২ য়ৌখি। হায়রিবা মার্কেট অসি কুমজা ২০৩২ ফাওবগী মনুংদা চাদা ১৯.৫০ হেনগৎলক্তুনা য়ু এস দোল্লর ১,৮২২.৫০ য়ৌনা চাওখৎলক্কনি হায়না থাজনরি। মহৈরোয় অমসুং এক্সপরিয়েন্স লৈরবা প্রোফেস্নেলশিংনা বাইওইনফোর্মেটিক্সকী হীরম অসিদা চঙবা য়াবা, তোলোপ চাউনা ফংবা অমসুং কান্নগদবা থবক্কী খুদোংচাবা কয়ামরুম মালেম শীনবা থুংনা লৈরি।

**বাইওইনফোর্মেটিক্সকী অনৌবা মওংশিং থোক্লকপা :** বাইওইনফোর্মেটিক্সকী হীরম অসি খোঙজেল য়াঙনা মশক হোংলক্লি। বাইওলোজিকেল দাটা ইন্টরপ্রিট তৌবা, থেরাপিশিং শেম্বা অমসুং মেদিকেল অমদি সাইন্টিফিক এপ্লিকেশনশিংগী ফীভম ফগৎহনবা হায়রিবশিং অসিদা অহোংবা কয়ামরুম লাক্লি। কুমজা ২০২৫দা চৎনরক্কদবা বাইওইনফোর্মেটিক্স অনৌবা মওং খরা মখাদা পীরি।

**আর্টিফিসিয়েল ইন্টেল্লিজেন্স অমসুং মেছিন লার্নিং :** মেছিন লার্নিং (এম এল) অমসুং আর্টিফিসিয়েল ইন্টেল্লিজেন্স (এ আই) কী পাম্বৈ অনীমক পূন্না শীজিন্নবা হায়বসি বাইওইনফোর্মেটিক্সকী খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা দিভেলপমেন্টশিংগী মনুংদা অমনি। অসিগুম্বা টেক্নোলোজিশিং অসিনা রিছর্চরশিংবু অচৌবা দাটাগী সেটশিংদা কান্নগদবা মওং মতৌশিং অদু মশক খঙবা ঙমহন্দুনা, প্রেদিক্ট তৌবা, অনৌবা দ্রগশিং পুথোকপা অমসুং পর্সনেলাইজদ মেদিসিন প্রেক্টিশ তৌবা ঙমহল্লি।

**নেক্স-জেনরেশন সিক্বেন্সিং (এন জি এস) :** নেক্স-জেনরেশন সিক্বেন্সিং হায়বা অসিনা জেনোমিক রিছর্সকী মশক হোংহল্লে। বাইওইনফোর্মেটিক্সকী এনালাইসিকীদমক্তা মশীং থীঙমদ্রবা দাটা কয়ামরুম পুথোকপা এন জি এসকী টেক্নোলোজিশিংনা দি এন এ অমসুং আর এন এ মোলিক্যুলশিংবু খোঙলৈ থুনা সিক্বেন্সিং তৌবা ঙমহল্লে। এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না, এন জি এস অসি লেপ্তুনা চাওখৎলকখিগনি, হেন্না খোঙজেল থুরক্কনি, হেন্না চুল্লক্কনি অমসুং মমল পঙতাঙ তাঙলোই। মরম অসিনা দাইগ্নোষ্টিক অমসুং পর্সনেলাইজদ মেদিশিনদা খূমাঙ চাওশিলহন্নবা মরম অমা শোয়দনা ওইরক্কনি।

**মল্টি-ওমিক্স দাটা ইন্টিগ্রেশন :** ওমিক্স দাটা হায়বসি, ত্রান্সক্রিপ্টোমিক, প্রোটিওমিক্স, মেটাবোলোমিক্স অমসুং জেনোমিক্সকুম্বা মখল-মখা কয়াগী সোর্সশিংদগী লাকপা, পাক-চাউরবা বাইওলোজিকেল দাটাশিং অদুনি। রিছর্চরশিংনা অসিগুম্বা ওমিক্স দাটা অসিবু পূনশিন্দুনা অমসুং ইভালুয়েট তৌদুনা অনৌবা বাইওমার্কররশিং নৎত্রগা ত্রিটমেন্টকী টার্গেটশিং পুথোক্লুবা অচৌবা খুদোংচাবা অমা ফংই অমসুং বাইওলোজিকেল সিষ্টমশিংবু য়াম্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্মী।

**হকচাংগা লোয়নহনবা য়াবা টেক অমসুং বাইওইনফোর্মেটিক্স :** হকচাংগা লোয়নহনবা য়াবা ৱায়রেবল টেক্নোলোজিদগী খুদক্কী ওইবা হেল্থকী দাটা খঙদোকপা হায়বসি য়াম্না কন্না চৎনরক্লি অমসুং অসিগুম্বা দাটা অসি ইন্টরপ্রিট তৌদুনা অনা-অয়েক কোকহন্নবা হোৎনবদা বাইওইনফোর্মেটিক্স হায়বসি তঙাইফদনা মথৌ তাগনি। স্মার্টৱাটচ (খূদাং ঘড়ী) শিংদগী হৌরদুনা, ফিটনেশ ত্রেক্কর ফাওবদা লৈরিবা অসিগুম্বা গেজেটশিং অসিনা ৱেলনেশ ত্রেক্কিং, ইন্দিভিজ্যুয়েলাইজদ ত্রিটমেন্ট অমসুং ঙন্না লায়না খঙদোকপা হায়রিবশিং অসিগা মরী লৈনবা, হকচাংগী ওইবা মশীং য়াম্লবা দাটা কয়ামুক পুথোকই।

**বাইওইনফোর্মেটিক্সকী মরু ওইবা ইন্দষ্ট্রিশিং :** বাইওইনফোর্মেটিক্সকী কোর্স অমদা মায় পাক্লবদি মালেম অসিদা লৈরিবা ইন্দষ্ট্রি মখল-মখা কয়াদা থবক চঙবগী খুদোংচাবা কয়ামরুম ফংগনি। হীরম অসিগী মহৈরোয়শিংনা করিয়র শেমগৎপা য়াগদবা মরু ওইবা ইন্দষ্ট্রি খরদি : বাইওটেক্নোলোজি এন্দ ফার্মস্যুটিকেলস, এদ্যুকেশনল ইন্সটিট্যুশন, ফুদ মেন্যুফেকচরিং, ক্লিনিকেল রিছর্স, ইনভাইরনমেন্টেল সাইন্সেস, এনিমেল ব্রিদিং, এগ্রীকলচর এন্দ এল্লাইদ সাইন্সেস, দাটা সাইন্স অমসুং ফোরেন্সিক সাইন্সেস হায়রিবশিং অসিনি।

**তম্বা য়াবা বাইওইনফোর্মেটিক্সকী কোলেজশিং :** ইন্দিয়াদা বাইওইনফোর্মেটিক্সকী কোলেজ ২০০ হেন্না লৈবগী মনুংদা ১০৪ রোমদি প্রাইভেটনি অমসুং ৮১না গভর্ণমেন্টকীনি। অসিগুম্বা ইন্সটিট্যুশনশিং অসিনা বাইওইনফোর্মেটিক্স কোর্স কয়াগী খূত্থাংদা মহৈরোয়শিংবু অৱাংবা থাক্কী লৌশিং লৈহনবগা লোয়ননা থবক ফংহন্নবা খুদোংচাবা কয়াসু পীরি।

**তম্বা য়াবা কোলেজশিং :** আই আই টি হায়দ্রবাদ (চহীদা লুপা লাখ ২২), মনিপাল স্কুল ওফ লাইফ সাইন্সেস (চহীদা লুপা লাখ ১১.৭৬), জে এস এস মইশুর (চহীদা লুপা লাখ ৯.৮-১০.৭৬) অমসুং গুজরাট য়ুনিভর্সিটি প্লেসমেন্টস (চহীদা লুপা লাখ ৮.৫) অসিনি।

**বাইওইনফোর্মেটিক্সকী মহৈরোয়শিংবু মকোক থোংনা রিক্রুইট তৌবা কোর্পোরেট বোদিশিং :** মালেম অসিদা লৈরিবা মশীং থীঙমদ্রবা কম্পনি কয়ানা তোঙান তোঙানবা থবকশিংগীদমক্তা বাইওইনফোর্মেটিক্সকী মহৈরোয়শিংবু নেক্লি। কেন্দিদেটশিংগী পূক্নীং-লৌশিং ওইনবগীদমক্তা বাইওইনফোর্মেটিক্স গ্রেজুয়েটশিংদা থবক পীবা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা কম্পনি খরগী মমিং পীরি।

সেরম ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্দিয়া, রাষ্ট্রিয়া কেমিকেলস এন্দ ফর্টিলাইজর্স লিমিটেদ, জোন্সন এন্দ জোন্সন, বৃটান্নিয়া ইন্দষ্ট্রিজ, দিলোইট্টে, শিজেন্টা, মেরিকো, আইক্যু-ভাইয়া, এশেঞ্চর, ৱিপ্রো, বাইওকোন, বেয়র ক্রোপ সাইন্স লিমিটেদ, ডা. রেদ্দিজ লেবরেটরিজ, আই টি সী অমসুং আই বি এম হায়রিবশিং অসি বাইওইনফোর্মেটিক্স মহৈরোয়শিংগী মকোক থোংবা রিক্রুইটর ঙাক্তনি। ●